# অনীশুবা গভর্নরস ট্রোফি ষ্টেট লেভেল মুক্না–কাঙজৈ টুর্নামেন্টতা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টনা ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল,মার্চ ২৯ঃ
ওল মণিপুর মুক্না এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা ক্রিদা ভারতি মণিপুরনা শিন্দুনা থা অসিগী ২৭ দগী ইম্ফালগী পোলো গ্রাউন্দা টিম ৫ না শরুক য়াদুনা চথরিকপা ২ শুবা গভর্নরস ট্রোফি ২০১৯ ষ্টেট লেভেল মুক্না কাঙজৈ টুর্নামেন্টগী ৱিন্নর ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টনা ওইখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টপু পাঞ্জিল ৯–৩ দা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী মপু ওইবা ঙমখিবনি।

মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফতা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট না পাঞ্জিল ৪ চনখি অদুগা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টনা অহানবা হাল্ফ লোবা ফাওবা পাঞ্জিল অমত্তা চনবা ঙমদনা লৈবদগী ইম্ফাল ইষ্টনা ৪–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

ইম্ফাল ইষ্টকী অহানবা হাল্ফতা চনখিবা পাঞ্জিলশিং অদু টি ঐচ দিংঙ্কুনা মিনট ৬.৩৫,৯.২২দা পাঞ্জিল ২,এল সনাতোম্বানা মিনট ১২.৫১,এন তাইবংঙানবা মিনট ১৭.৩৩ দা পাঞ্জিল অমমম চনখি।



অনীশুবা হাল্ফতসু ইম্ফাল ইষ্টনা থৌবালবু লাকশিন্না শান্দুনা মখা তবা পাঞ্জল ৫ গা হাপচিনখি।

পাঞ্জিলশিং অদু টি ঐচ দিংঙ্কুনা মিনট ২৩.০৯,এল অপাকনা মিনট ৩০.৩৫,এল সনাতোম্বনা মিনট ৩২.৩৬,এল অঙোনা মিনট ৩৫.৫৮ অমদি ঐচ দিনেসনা মিনট ৩৮.১১ দা অনীশুবা হাল্ফকী পাঞ্জিলশিং অদু চন্দুনা ইম্ফাল ইষ্টনা পুন্না পাঞ্জিল ৯ চনখি।

মায়থিরবা থৌবাল দিষ্টিক্টকী পাঞ্জিলশিং অদু অনীশুবা হাল্ফতা এস লৈশেম্বনা মিনট ২১.৩০ দা পাঞ্জিল ১ অমদি এল অরুননা মিনট ২৫.১৫,২৫.৪৬ দা পাঞ্জিল ২ চন্দুনা পুন্না পাঞ্জিল ৩ অদু চনখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নর ওইখ্রবা টিমদা লুপবা লিশিং ২০,০০০গা লোয়ননা ট্রোফি অমদি রন্নস অর্পকী টিমদা লুপা লিশিং ১০,০০০গা লোয়ননা ট্রোফি খুৎশিন্নখি।

অনীশুবা গভর্নরস ট্রোফি টুর্নামেন্ট অসি ঙসি লোয়শিনবগী থৌরমদা মণিপুরগী গভর্নর ডাঃ নাজমা হেপ্তুলা,ক্রিদা ভারতি মণিপুরগী ভাইস প্রসিদেন্ট বি বিমোলা দেবী অমদি সেবা ভরতি মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এ ব্রাজকুমারনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট,প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াদুনা মকোক মথং তাখ্রবাশিংদা মনা মথুম য়েন্থোকখি।

# অহুমশুবা ষ্টেট লেভেল ৭ এ–সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট এ২ পার্টসোই সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল,মার্চ ২৯ঃ
পার্টসোই তুলিয়াইমা সেঞ্চুরি ক্লবনা শিন্দুনা পার্টসোই পার্ট–৩ ফুটবোল গ্রাউন্দা টিম ২১ না গ্রুপ ৭ থোক্লা খাইদোক্তুনা থা অসিগী ১৮ দগী চথরকপা অহুমশুবা ষ্টেট লেভেল ৭ এ–সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা ৩শুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা এ২ পার্টসোইনা য়ু এফ সি উৎলৌবু গোল ৭–৪ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।



মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফতা এ ২ পার্টসোইনা য়ু এফ সি উৎলৌবু লাকশিন্না শান্দুনা অঙনবা মিনটভিশিং দগী গোল একাউন্ট হাঙনবা হোৎনদুনা শান্নখি।

মেটচকী মিনট ১৩ চৎপদা এ ২ পার্টসোইগী জর্সি নম্বর ৮ গোপিনা মেটচ অসিগী গোল একাউন্ট হাঙদুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি। গোল একাউন্ট হাঙখ্রবা মতুং মিনট ৩ কান্নরগা ১৬ কতা জর্সি নম্বর ৭ চাউবনা অনীশুবা গোল চন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

থংন্নবা মিনট ১৭ দা য়ু এফ সি উৎলৌগী জর্সি নম্বর ১০ জেক্সননা গোল হন্দোক্তুনা ২–১ দা লৈখি। মখা তাবা মিনট ২২ দা জেক্সননা গোল অমাগা হন্দোক্তুনা ২–২ দা লৈখি।

হাল্ফ মমাঙদা এ২ পার্টসোইনা অহেনবা গোল হাপচিন্নবা হোৎনরক্তুনা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ৮ গোপিনা মিনট ২৪ অমদি ২৫ চৎপদা গোল ২ গা হাপচিন্দুনা অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা পার্টসোইনা ৪–২ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফকী হোরকপা মিনট ৩৭ দা য়ু এফ সিগী জর্সি নম্বর ৯ এল গোবিন অমদি জর্সি নম্বর ১০ এল জেক্সননা মিনট ৪১ চৎপদা গোল হন্দোক্তুনা ৪–৪ দা মান্না লৈদুনা এ২ পার্টসোইদা প্রেসর পিশিনখি।

গোল মান্না লৈবদগী পার্টসোইনা মেটচ অসিবু মায় পাক্নবা হোৎনরক্তুনা অনৌবা লাংলোন শিজিন্নরক্তুনা মিনট ৪৫ চৎপদা জর্সি নম্বর ১১ ইম্রাননা গোল হাপচিন্দুনা ৫–৪ দা অমুক মাঙজিল থারক্তুনা মহাক্কী টিমদা থৌনা হাপকৎলকখি।

মেটচগী মিনট ৪৬ অমদি ৪৮ চৎপদা পার্টসোইগী জর্সি নম্বর ৮ গোপিনা মহাক্কী টিমগী মখা তবা গোল ২ গা হাপচিন্দুনা ৭–৪ দা মাঙজিল থাদুনা মায় পাকপগী য়ুম্ফম অদু থোনখি।

# অহানবা মাইচোন ট্রোফি ২০১৯ হৌখ্রে
## মাইচোন এফ সি (এ) মায় পাকখ্রে

থৌবাল,মার্চ ২৯ঃ
মণিপুর ইমাগী চাঙদম্নাফম ওইবা নচাশিং (মাইচোন) চরাংপাট মমাঙ লৈকাইনা শিন্দুনা ঙসিদগী অহানবা মাইচোন ট্রোফি ২০১৯ ৭–এ সাইদ ষ্টেট লেভেল ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট টিম ১২ না গ্রুপ ৪ থোকনা খাইদোক্তুনা ঙসিদগী চরাং পাট মমাঙ লৈকাই পোলো গ্রাউন্দা শান্নবা হৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি হৌদোকপগী থৌরমদা লৈমা থ্রিপ্ট এন্দ ক্রেদিট কো–ওপেরেটিপ সোসাইটি লিমিটেদকী সি ই ও লৈতান্থেম জিবনলাতা দেবী,সোসিয়েল ৱাকর খুন্দ্রাকপম প্রেমনাট সিংহ অমদি সোসিয়েল ৱাকর জিটেন্দ্রা সিং হনা মথংশিংনা অথোইবা মীথুং লেন,থৌরম মপু অমদি অখন্নবা মীথুং লেন ওইনা শরুক য়াখি।



ঙসি অহৌবা নুমিৎতা শান্নখিবা গ্রুপ–এগী মেটচতা মাইচোন এফ সি(এ)না এন ই এস এবু গোল ৫–৪ দা মায়থিবা পীখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা মাইচোন এফ সি(এ)না এন ই এস এবু অহানবা হাল্ফ্তা বোল হেনা পায়রগা লাকশিন্না শান্দুনা লেপ্পা লৈতনা গোল একাউন্ট হাঙনবা প্রেসর পিশিনখি।

মেটচ অসিগী হেক হৌরকপা মিনট ১ দা মাইচোন এফ সি (এ) গী জর্সি নম্বর ১৬ জেক্সননা গোল একাউন্ট হাঙদুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি। অদুবু শোথরিবা গোল অদু এন ই এস এনা মিনট ৩ কান্নরগা মিনট ৪ দা এন ই এস এগী জর্সি নম্বর ৭ রোবিসননা হন্দোক্তুনা ১–১ দা লৈখি।

মেটচকী মিনট ১৮ অমদি ১৯ দা মাইচোন এফ সি (এ)গী জেক্সননা গোল ২ অমগা হাপচিন্দুনা ৩–১ দা মাঙজিল থাখি।

অহানবা হাল্ফকী অপীবা মিনট লোয়রমদাই ২২ দা মাইচোন এফ সি (এ)গী জর্সি নম্বর ৮ য়োহেনবনা গোল ১ গা হাপচিন্দুনা অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা ৪–১ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফতা এন ই এস এনা গোল হন্দোক্লবা শান্দুনা মিনট ৩৩ দা জর্সি নম্বর ১৩ সুহিদাসনা গোল হন্দোক্তুনা ৪–২ দা লৈখি।

গোল হন্দোক্লবা মতুং মিনট ৪ কান্নরগা মিনট ৩৭ দা মাইচোন এফ সি (এ)গী জর্সি নম্বর ৯ মেক্সনা গোল অমগা হাপচিন্দুনা ৫–২ দা মাঙজিল থাদুনা মায় পাকপগী য়ুম্ফম য়দু থোনখি।

এন ই এস এনা মিনট ৪৩ অমদি ৪৯ দা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ১৩ সুহিদাস অমদি রোবিসননা গোল ২ মখা তানা হন্দোখ্রবসু মেটচ অসিগী অপীবা মিনট লোয়দুনা ৫–৪ দা মায়থিবা নংখি।

হয়েংগী মেটচ ওইনা নুংথিল পুং ২ দা গ্রুপ–বি গী বোলেরো এফ সি শিংজমৈ অমদি এফ এফ সি অঙথাগা শান্নগনি। অদুগা অনীশুবা মেটচ ওইনা নুংথিল পুং ৪ দা গ্রুপ–সিগী টোলহৈ এফ সি অঙথা অমদি য়াম্বেম এফ সি য়াম্বেমগা শান্নগনি।

টুনামেন্ট অসিগী ৱিন্নরদা লুপা লিশিং ৫০,০০০ গা লোয়ননা ট্রোফি অমদি রন্নস অর্পতা লুপা লিশিং ৩০,০০০গা লোয়ননা ট্রোফিগী মনাশিং লৈবগা লেলায়ননা অতৈ ইন্দিবিজ্যুয়েল প্রাইজ কয়ামসু থমল্লি।

# অহুমশুবা ৱাই দি সি ফুটবোল ট্রোফি ২০১৯
## ৱাই দি সি (বি) অমদি কংলৈ এফ সি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,মার্চ ২৯ঃ
য়ুঠ দিভলপমেন্ট কম্মিটি (ৱাই দি সি)য়াইরিপোক খোয়রোম্না শিন্দুনা য়াইরিপোক খোয়রোম কাঙজৈবুংদা টিম ২৪ না গ্রুপ ৮ থোক্লা খাইদোক্তুনা থা অসিগী ১৮ দগী চথরকপা ৩শুবা ৱাই দি সি ট্রোফি ৭ এ–সাইদ ষ্টেট লেভেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা লীর্গ মেটচশিংদা ৱাই দি সি (বি) খোয়রোম অমদি কংলৈ এফ সি মায় পাক্তুনা ফুল পোইন্ট ফংখ্রে।



ঙসি অহানবা গ্রাউন্দা শান্নখিবা মেটচতা ৱাই দি সি(বি) খোয়রোমনা এফ এফ সি সি অঙথাবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা টিম অনীনা অকনবা মওংদা লম্বা তৌন্দুনা গোল একাউন্ট হাঙনবা হোৎনদুনা শান্নরবসু গোলদা ওন্থোকপা ঙম্নাদনা লাকখিব অদু অহানবা হাল্ফকী অপীবা মিনট লোয়দুনা অহাপ্পা মিনট ১ দা ৱাই দি সি (বি) গী জর্সি নম্বর ৪ জেমসনা গোল একাউন্ট হাঙদুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফকী হৌরকপা মিনটশিংদা ৱাই দি সি (বি) খোয়রোমনা লাকশিন্না শান্দুনা এটেক হেঞ্জিলক্তুনা অহেনবা গোল হাপচিন্নবা হোৎনখি।

মদুগী মহৈ ফংদুনা মিনট ২৯ চৎপদা ৱাই দি সি (বি) খোয়রোমগী জর্সি নম্বর ১০ কৃষ্ণন্দানা মহাক্কী টিমগী ২ শুবা গোল চন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থারগা মায় পাকপগী য়ুম্ফম অদু থোনখি।

অপীবা মিনট লোয়বা ফাওবদা এফ এফ সি সি না গোল অমত্তা হন্দোকপা ঙমদবদগী মেটচ অসি মায়থিবা নংখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দা শান্নখিবা মেটচতনা কংলৈ এফ সিনা এস এল জি সি সিফাই লৈকাইবু য়াম লাকচনা গোল ৯–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মায় পাক্লবা কংলৈ এফ সিগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ২ রিবন্তানা মিনট ৬,১৩,১৫ দা গোল ৩,জর্সি নম্বর ৭ সুরজিৎনা মিনট ১০ অমদি জর্সি নম্বর ৩ ননাওনা মিনট ১৮ দা গোল অমমম চন্দুনা অহানবা হাল্ফতা পুন্না গোল ৫ চনখি।

অনীশুবা হাল্ফতা চনখিবা অতোপ্পা গোল ৪ অদুনা জর্সি নম্বর ৭ সুরজিৎনা মিনট ২২ অমদি ৩০ দা গোল ২,জর্সি নম্বর ১০ রাজুনা মিনট ৩৭ অমসুং রিবন্তনা মিনট ৩৮ দা চনখি।

মায়থিরবা এস এল জি সিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু জর্সি নম্বর ৮ এম দি অনিসনা মিনট ৩৯ দা চনখি।

# তরুকশুবা লম্লাই অন্দ্রো কেন্দ্রা ফুটবোল টুর্নামেন্ট
## ৫ ব্রাদস,ৱাই এফ সি অমদি তেল্লৌ এফ সি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৯ঃ
ব্রাইট ষ্টার য়ুনিয়ন নোংপোক কাকচিংনা শিন্দুনা থা অসিগী ২৬ তগী ইবুধৌ খমলাংবা লম্পাক্তা টিম ২০ না গ্রুপ ৭ থোক্লা খাইদোক্তুনা চথরকপা ৬শুবা লম্লাই অন্দ্রো কেন্দ্রা ভিলেজ ৱাইস ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ৫ ব্রাদস তাকয়েল,ৱাই এফ সি হুইকপ অমদি তেল্লৌ এফ সি মায় পাকখ্রে।



টুর্নামেন্ট অসিগী ৮ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দা বি এস য়ু (বি) অমদি সোপলেং এফ সি গোল ১–১ দা ড্রো চৎত্তুনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে।

বি এস য়ু (বি)গী গোল অদু জর্সি নম্বর ৭ প্রিয়ান্দনা মিনট ১ দা চনখি। অদুগা সোপলেং এফ সিগী গোল অদুনা জর্সি নম্বর ৯ চোন জাজোনা মিনট ৯ দা চনখি।

৯শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা গ্রাউন্দা ৫ ব্রাদস তাকয়েলনা ৱাই এস দব্লিউ সি সাবুংখোকপু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা ৫ ব্রাদস তাকয়েলগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ৪ হেরোজিটনা মিনট ৬ অমদি ১৬ কতা চনখি।

১০শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা গ্রাউন্দা ৱাই এফ সি হুইকপনা ও এন ৱাই সি,ও কে এস য়ু নিংথেমচা খুলবু গোল ৩–১দা মায়থিবা পীখি।

ৱাই এফ সিগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ৯ এল সুধিরনা মিনট ১২ অমদি জর্সি নম্বর ১১ বিকিনা মিনট ১৮ অমদি ২২দা পুন্না গোল ৩ অদু চনখি।

ও এন ৱাই সিগী গোল অদুনা জর্সি নম্বর ৪ দব্লিউ রোহিটনা মিনট ২৮ দা চনখি।

১১শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা ৪ শুবা গ্রাউন্দা তেল্লৌ এফ সিনা এন এফ সি ঙারিয়ানবু গোল ৪–২ দা চনখি।

তেল্লৌগী গোল অদু জর্সি নম্বর ৮ এস নোবেলনা মিনট ১০,২৮ দা গোল ২ অদুগা জর্সি নম্বর ৩ টি ঐচ জিটেন্দ্রানা মিনট ৩৪,৩৮ দা গোল ২ চনখি। মায়থিরবা এন এফ সিগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১১ এম দি মুসটফানা মিনট ১৪ অমদি জর্সি নম্বর ২৪ এম দি রাজুনা মিনট ২৪ দা চনখি।

হয়েংগী অহানবা মেটচতা সি ঐচ ৱাই য়ু সি অমদি সোপলেংগা শান্নগনি। অনীশুবা মেটচতনা পুং দোংবম অমদি এন ৱাই সি (এ)গা শান্নরগনি। অহুমশুবা মেটচতনা সেক্তা (এ) অমদি ৱাই এস দব্লিউ সিগা শান্নগনি।

# এম সি এ টি–২০গী সেমি ফাইনেল অমদি ফাইনেল মেটচ শান্নরগনি

ইম্ফাল, মার্চ ২৯ঃ
মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসনা শিন্দুনা পাঙথোকপা অনীশুবা এম সি এ লুৱাংপোকপা টি–২০ ট্রোফি ২০১৮গী সেমি ফাইনেল অমদি ফাইনেল মেটচ মতম শাঙনা শান্দনা লাকখিবা অদু থা অসিগী ৩১ দা লংথবাল প্রাব্লিক গ্রাউন্দা সাইক্লোন অমদি ট্রাউনা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচ অদুগা মোদেল ক্লব অমদি চেম্পনা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচ ওসনা নুমিৎ অসিদা শান্নরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেটচসু লংথবাল প্রব্লিক গ্রাউন্দা এপ্রিলগী তাং ২ দা শানগনি।






# পৱারল্ফিটর সনাশম চাওবা খনলক্লে

ইম্ফাল, মার্চ ২৯ঃ
চহি অসিগী মে তাং ১৮ দগী ২৫ ফাওবা জপানগী তোকিয়োদা পাঙথোকদৌরিবা ৱার্ল্ড সব–জুনিয়ার,জুনিয়ার,সেনিয়ার অমদি মাষ্টর (মেন এন্দ ৱুমেন) ক্লাসিক এন্দ ইক্যুপদ বেঞ্চপ্রেস চেম্পিয়নসিপ ২০১৯ দা শরুক য়াওরুনবগী ইন্দিয়ান টিম শেমবদা মণিপুরগী পৱারল্ফিটিং সনাশম চাওবা খল্লক্লে।



সনাশম চাওবা খাবম মনিং লৈকাই কোন্থা খাবমদগী সনাশম সোমেন্দ্রো অমদি সনাশম ওংবি জমুনাগী অনীশুবা মচানুপীনি।

চেম্পিয়নসিপ অসিদা সনাাম চাওবানা সব–জুনিয়ারগী কেজি ৫২ কেটাগোরিদা শরুক য়াগনি হায়না ওল মণিপুর পৱারলিফটিং এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরীনা এন জি থোইবা সিংহনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না খঙহল্লক্লি।

# পৱারলিফটিংগী ত্রাইয়েল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, মার্চ ২৯ঃ
চহি অসিগী মেগী তাং ২০ দগী ২৪ ফাওবা টামিল নাদুগী ভেল্লোরি দিষ্ট্রিক্টকী গুদিয়াথাম,রেলৱে ষ্টেসন রোদতা লৈবা কে এম জি কোলেজ ওফ আর্ট এন্দ সাইন্সতা পাঙথোকদৌরিবা সব–জুনিয়র অমদি মাষ্টর নেসনেল (মেন এন্দ ৱুমেন) পৱারল্ফিটিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯ দা শরুক য়ানবা ষ্টেট অসিগী টিম শেমবগী ত্রাইয়েল সেল্কেসন থা অসিগী ৩১ দা কৈশামথোং এলাংবম লৈকাইদা লৈবা পি বি বি পি টি সিদা নুমিৎ অসিগী অয়ুক পুং ৮ তাবদা াঙথোক্লগনি হায়রি।

ত্রাইয়েল অসিদা য়াওনিংবা ল্ফিটর শিংনা মশা–মশাগী এর্জ প্রুফ সার্টিফিকেট লোয়ন্নরকদবনি লোয়ননা নুমিৎ অসিদা এসোসিয়েসন অসিগী ওফিসিয়েল অমশুং রেফ্রিশিংসু মতম চানা লাক্লবা ওল মণিপুর পৱারল্ফিটিং এসোসিয়েসননা থাদোরকপা চেরোল অমনা খংহনলক্লি।

# হেলিম চৌধুরিনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মার্চ ২৯ঃ
ওল মণিপুর স্পোর্টস এসোসিয়েসন(এ এম এস এ),ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন( এম এফ এ),ওল মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিয়েসন(এ এম ভি ) অমদি এথেলেটিক এসোসিয়েসন মণিপুর (এ এ এম)গী থৌ পুরন্বা এ হেলিম চৌধুরিনা লৈখিদবদা ,সোসিয়েসন ৪ অসিনা এ এম এস এগী প্রসিদেন্টগী য়ুমদা পাঙথোকখিবা জোইন্ট কন্দোলেসন মীটিংদা মিনট ২ তুমিনা লেপ্পুনা অৱাবা ফোংদোকখ্রে। হেলিম চৌধুরি অসি এ এম এস এগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা নত্তনা এ এম এস এ,এ এম এফ এ অমদি এ এম ভি এগী লাইফ মেম্বরসু ওইরমি।

অমারোমদা হেলিম চৌধুরিনা লৈখিদব অসিদা মণিপুর হোকিনা নুঙাইতবা ফোংদোরক্লি।

# জুনিয়ার ভোল্লিবোল ফাইনেল শান্নরগনি

ইম্ফাল, মার্চ ২৯ঃ
ওল মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিয়েসননা মীৎয়েং মখাদা কামিখ্যয়া য়ুঠ ক্লবনা শিন্দুনা কে এস ৱাই সি গ্রাউন্দা চথরকপা অহানবা ষ্টেট লেভেল এস তোম্বা মেমোরিয়েল জুনিয়ার ভোল্লিবোল টুর্নামেন্টগী ফাইনেল মেটচ থা অসিগী ৩১ দা এস ৱাই সি সাতুদাই খৌপুম অমদি এন ৱাই ভি এ নাওরেমগা শান্নরগনি।

# অরোং খুঞ্জাও ষ্টেট লেভেল ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯
## ৱাই দি সি অমদি এম পি এস সি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৯ঃ
ওল মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা অরোং খুঞ্জাও কাংজৈবুং দিভর্পমেন্ট কম্মিটিনা শিন্দুনা এ কে কে দি সি গ্রাউন্দা টিম ৫ না শরুক য়াদুনা থা অসিগী ২৭ তগী চথরকপা অহানবা ষ্টেট লেভেল মেন্স ওপন ভোল্লিবোল টুর্নামেন্টগী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ৱাস দি সি অরোং খুনৌ অমদি এম পি এস সি মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৪ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দা ৱাই দি সি অরোং খুনৌনা এন ৱাই ভি এ নাওরেমবু সেট ৩–২ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা ৱাই দি সিনা পোইন্ট ২৫–১৯,২৬–২৪,২০–২৫,১৭–১৫ অমদি ১৫–১৩ স্কোর তৌখি।

৫শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা গ্রাউন্দা এম পি এস সিনা আই জি ও ওইনামবু ষ্ট্রেদ সেট ৩–০ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা এম পি এস সিনা পোইন্ট ২৫–২৩,২৫–২৩ অমদি ২৫–১০ স্কোর তৌখি।

ঙরাং শান্নখিবা মেটচতনা এন ৱাই ভি এ নাওরেমনা এম পি এস সিবু সেট ৩–১ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা এন ৱাই ভি এনা পোইন্ট ২৫–২১,২৫–২১,২১–২৫,১৬–২৫ অমদি ১৫–১৩ স্কোর তৌখি।

অতোপ্পা মেটচদনা আই জি ও ওইনামমনা ৱাই এম দি ও হৈরাং গোইথোংবু সেট ৩–২ দা মায়থিবা পীখি। মেটচ অসিদা আই জি ওনা পোইন্ট ২০–২৫,২৫–২২,১৭–২৫,২৫–২১ অমদি ১৫–৬ স্কোর তৌখি। হয়েংগী মেটচতা ৱাই এম দি ও হৈরাংগোইথোং অমদি ৱাই দি সি লাফুপাট তেরানা অহানবা মেটচ অদুগা অনীশ্ঠুবা মেটচতনা এন ৱাই ভি এ নাওরেম অমদি আই জি ও ওইনামগা শান্নরগনি।

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*